# কোংগ্রেসনা লৈবাক মচেৎ তাহনবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মরাল শীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): কোংগ্রেসনা লৈবাক অসি মচেৎ তাহনখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরাল শীখ্রে। লোক সভাদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইমুং অমখক্কী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা থবক তৌবা পার্টি ওইবনা হীরম কয়াদা কোংগ্রেসনা লৈবাক্কী মাঙনবা থৌরাং লৌখৎখি।

রাহুল গান্ধীনা হন্দক কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখিবা অদুসু কাংলোন চুম্না মীখল পাঙথোক্লগা ফম পায়খিবা নত্তে। নিংথৌ ফম্বাল কাবগী মওংদা চত্থখিবা থৌওং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোক সভাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙলিঙৈদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউশিন্দুনা অপনবা পীনবা কয়ারক হন্না হোৎনখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা অদুমক ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা হায়খি, ওপোজিসনগী খোল্লাউনা অচুম্বা ৱাফম নমশিন্দুনা থম্বা ঙম্লোই। মদুগী মহুৎতা ওপোজিসনগী মেম্বর পূম্নমক তুমিন্না ফম্লগা অচুম্বা ৱাফমশিং তাবনা হেন্না অফবা খোঙথাং ওইগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা লন্নাই খুদোংচাবা লৌনবগীদমক কোংগ্রেসনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান খায়দোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। লৈবাক অসিবু নীং তমহন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা মহাত্মা গান্ধীনা ফাওবা কোংগ্রেসকী থৌওংবু য়ানিংলমদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৪ দা থোকখিবা এন্টি সিখ রায়টকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেসনা ইমর্জেন্সি থমজিন্দুনা লৈবাক্কী লো পূম্নমক মহি-ময়াই চমহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে।

# আধারগী দেটা লোন্না হুরানখিগনি হায়বগী মীপাইনিংঙাই ওইদে : রবি শঙ্কর প্রসাদ

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): আধারগী দেটা অরানবা মওংদা শীজিন্নবা লৈতে অমসুং লৈবাক মীয়াম্না স্কীম অসিদা মপূং ফানা থাজবা থম্লি হায়না য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১২০ না আধার কার্দ পায়রে। অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ৫৭ আধারগা লিঙ্ক তৌরে। মসিনা মরম ওইরগা লুপা ক্রোর ৫৭,০০০ অরেম্বদা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্লে। করিগুম্বা আধার অমদি বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহন্দবা তারবদি কনাগুম্বা মীওই খরনা হায়রিবা শেনফম অসি মশাগী ফুরিৎখাওদা হাপচিল্লম্লগনি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ুনিক আইদেন্টি-ফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই এ ডি এ আই) তোপ-তোপ্পা সিষ্টেম অমা লৈজবা মরম্না কনাগুম্বা



মীওই অমত্তনা আধারগী দেটা হুরানখিবা ঙম্লোই। মতাং মতম মতুং ইন্না আধারগী দেটা হুরানখিবা ঙমহন্দনবগী মতাংদা মখা তাবা থৌরাং কয়াসু লেপ্তুনা লৌখৎপা হোৎনরি।

অমরোমদা রাজ্য সভাগী পাউ কভরেজ তৌবদা মীচং-মীখায় নাইবা থৌওং চৈথে হায়না কোংগ্রেসনা টেলিভিজন চেন্নেলশিংদা মরাল শীখ্রে। ৱাফম অসি পুখৎলদুনা ওপোজিসন লীদর ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খি, পব্লিক ব্রোদকাষ্টর ওইরিবা টেলিভিজনবু বি জে পি খক্তগী ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে।

হাউসতা ওপোজিসননা পুখৎপা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা কভরেজ পীদ্রে। রুলিংনা ফোঙদোকপা ৱাফম খক্তমক টেলিভিজনদা শন্দোকপগী মওং অমা থেংনরে। হায়রিবা থৌওং অসি ডিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা তৌফম থোক্তবনি।

অজাদনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা রাজ্য সভা টি ভি য়েংবা মতমদা চাদা ৯৮ দি বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত সাহনা ৱা ঙাঙখিবগী মতাংদা উৎলকখি। ওপোজিসননা ৱা ঙাঙবগী মতাংদদি শুপ্নগী সেকেন্দ ১৬ খক উৎলকখি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা হাউসকী মীফম তোয়না য়ৈথোকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খি, মেম্বর খরনা মরম চাদবা ৱাফম পুখৎতুনা অপনবা পীরকপদগী য়াম্না তোয়না হাউসকী মীফম য়ৈথোকপগী থৌওং অসি লাইবক থীবনি।

ওপোজিসননা ৱা ঙাঙনবগী খুদোংচাবা ফংহনদ্রে হায়না পুখৎলকখিবা তারবসু নাইদুনা হায়খি মদুদি ৱাফম খূদিংমক হাউসতা পুখৎলগা নীংথীনা খন্নগদবনি। মদুগী মহুৎতা মীফমদা অপনবা পীনবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি।

# এম পি, এম এল এশিং লো প্রেক্টিস তৌহন্দবগী ৱাফম সুপ্রীম কোর্ট য়ৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): এম পি অমদি এম এল এশিং উকিল ওইনা প্রেক্টিস তৌবা য়াহনবীগনু হায়না পীশিনখিবা এপ্লিকেসন অমা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (বি সী আই) না রিজেক্ট তৌরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রীম কোর্টতা পীটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

বি সী আইদা এপ্লিকেসন পীশিনখিবা অশ্বিনি উপধ্যায়না পীটিস্নর ওইরগা সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পীটিসন অমনা হায়খি মদুদি বি সী আইগী রুল ৪৯ অমসুং কনষ্টিটুট্যসনগী আর্টিকল ১৪ (ইক্কেলিটি) গী মতুং ইন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম পি অমসুং এম এল এশিং উকিল ওইনা প্রেক্টিস তৌবা য়াহল্লোইদবনি।

উকিল অমনা কেস লেপ্পা মতমদা ক্লাইন্টতগী শেল লৌরি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ অমসুং এম পিশিংনা মতৌ অসুম্না মীচম মীয়ামদগী শেল লৌদুনা কেস লেপ্পগী থৌওং অসি অয়াবা পীরোইদবনি হায়নসু উপধ্যায়গী পীটিসন অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পায়খৎপা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা লামায় ৮৪৫ পানবা মপূং ফাদবা ইনফোর্মেসন য়াওবা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরকপগীদমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টপু সুপ্রীম কোর্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

সেন্টরনা এপেক্স কোর্টপু অমোৎপা খোমদোকপা ওইনা উবা চুমদে। মথোং-মরম খঙদবা চেরোল খরা পীশিল্লক্লগা কোর্টনা অপেনবা পোক্কদবা নত্তে। মমাঙদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ময়েক শেংনা পীরকপগী মহুৎতা মপূং ফাদবা রিপোর্টশিং য়াওবা চেরোল খরা পীখৎলকপগী থৌওং য়ানিংদে হায়না জষ্টিস মদন বি লোকুর অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তগী বেঞ্চনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস ২০১৬ কী কাংলোন ঙাক্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্না অমোৎ-অকায় খোমদোকপগী থবক পায়খৎলিবরা হায়বদু চয়োল অহুমগী মনুংদা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কবা বেঞ্চ অসিনা সেন্টরদা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্না হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লেভেল এদভাইজরি বোর্দ শেম্লব্রা হায়বদুসু চপ চানা খঙহল্লক্কদবনি হায়না সেন্টরদা য়াথং পীখি। সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা হীরম অসিগা মরী লৈননা লামায় ৮৪৫ পানবা এফিদেভিট অমা কোর্টতা পীশিনখি। অদুবু বেঞ্চ অদুনা মরী লৈনবা ৱাহং খরা হংলকপা মতমদা উকিলনা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমখিদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, মপূং ফাবা ৱারোল য়াওদবা তারবদি এফিদেভিট অমত্তা কোর্টতা ফাইল তৌরোইদবনি। উকিল মশামক্না ফাওবা মপূং ফানা পাদ্রিবা এফিদেভিট অমবু কোর্টতা হেক্তা পীশিল্লকপগী থৌওং অসি লৈবাক্কী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্ট থৌশাদবগী থৌওংনি। এপেক্স কোর্টনা গোৱাগী মাইনিং লিজ ৮৮ কেন্সেল তৌনবগী মতাংদা য়াথং অমসু পীখি।

# কাসগঞ্জদা চন্দন গুপ্তা হাৎপদা শীজিন্নখিবা খূৎলায় ফংখ্রে

কাসগঞ্জ, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): রিপব্লিক ডে নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী কাসগঞ্জদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক্তা চন্দন গুপ্তা হাৎখিবদা শীজিন্নখিবা খূৎলায় ফংবা ঙম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা মপূং ওইনা চেন্নবনি হায়বা সলিমবু ৱাহং-পাউহং চত্থরবা মতুংদা কন্ট্রিমেদ পিষ্টল অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না সুপরিন্টে-ন্দেন্ট ওফ পুলিস পিয়ুশ শ্রীবাষ্টভানা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট আর পি সিংহগী য়াথং মতুং ইন্না সলিমগী মীংদা ইস্যু তৌবা নোংমৈগী লাইসেন্স অনী ককখ্রে।

আর পি সিংহনা হায়খি, সলিমগী মীংদা নোংমৈগী লাইসেন্স অনী ইস্যু তৌরম্বা থেংনখি। লাইসেন্স অমনা রিভোল্বরগীনি অদুগা অতোপ্পা অমনা ডি ডি বি এল গনগীনি। দবল বেরেল গন অদুসু রিপব্লিক ডে নুমিৎতা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা শীজিন্নখিব্রা হায়বা চপ-চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবা শেমখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমনা হায়খ্রে মদুদি য়ু পিগী কাসগঞ্জদা থোকখিবা থৌদোক অদু কনাগুম্বা খরনা মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা থোকহনখিবগী খুদম চপ-চানা ফংবা ঙম্লে।

ফেব্রুৱারি ২ দা কাসগঞ্জগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎতুনা মীওই কয়াগা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (রিটায়র্দ) এস আর দরাপুরিনা লূচিংবা টিম অদুনা হায়খি, হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা হৌজিক ফাওবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবগী থৌওং অসি লাইবক থীবনি।

উত্তর প্রদেশকী কাসগঞ্জদা মহৌশাগী ফিভম তপ্প-তপ্পা হঞ্জিল্লকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টর সত্যদেব পচাওরিনা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা মওংদা কাসগঞ্জগী থৌদোক অদু হকচিন্না লৌফম থোক্তে। অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক মচা-মশুশিং মালেমগী মফম পূম্নমক্তা নোংমা কাংদনা থোক্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ডিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংবু থৌদোক অসিগী মতাংদা মরাল শীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মরী লৈনবা ডিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদবদগী মীশি-মীনা থোকখিবনি। কাসগঞ্জদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা অমনা অমগী মথক্তা মরাল শীনখিবগা লোয়ননা উত্তর প্রদেশকী অগ্রা ডিষ্ট্রিক্টতা আর এস এসকা শম্নবা বিশ্ব হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি) না টিরঙ্গ যাত্রা পাঙথোকপা লৈখ্রবনি। অগ্রা ডিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অয়াবা য়াওদনা ভি ঐচ পিগী টিরঙ্গ যাত্রা পাঙথোকখিবনি হায়রি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদসু অগ্রা য়াওনা য়ু পিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা টিরঙ্গ যাত্রা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়না ভি ঐচ পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুনিল পরাসারনা মমাঙদসু লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

# ন্যুক্লিয়রগী মতিক-ময়াই লৈবা পৃথিবী-২ মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে



বলাসোর, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা ঙসি মশানা শেমগৎচবা ন্যুক্লিয়রগী মতিক-ময়াই লৈবা পৃথিবী-২ মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রে। লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপকদবা কিলোমিটর ৩৫০ শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩৫ তাবদা বলাসোর মনাক্কী ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জদগী চাংয়েং তৌখিবনি। হৌখিবা জন্যুৱারি ১৮ দা অগ্নি-৫ অমসুং ঙরাং অগ্নি-১ মিসাইল মায় পাক্না চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি পৃথিবী-২ মিসাইল চাংয়েং তৌখিবনি।

লিক্বিদ প্রোপলসন ত্বিন এঞ্জিন য়াওবা পৃথিবী-২ মিসাইলনা কিলোগ্রাম ১০০০ লুম্বা ৱারহেদ পুরগা কিলোমিটর ৩৫০ শান্না কাপ্পা ঙম্মী হায়না ডিফেন্স রিছর্স এন্দ ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ডি আর ডি ও) গী সাইন্সিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি। আর্মিগী ষ্ট্রেটিজিক ফোর্স কম্মান্দ (এস এফ সী) অমসুং ডি আর ডি ওনা লৌখৎপা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ষ্টোকতা পৈদুনা থম্বা মিসাইল ময়াম মরক্তগী অমা হেক্তা খনগৎলগা চাংয়েং তৌবদা মায় পাকখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ডি আর ডি ওগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৩ দা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিদা খূৎশিন্নখ্রবা মিটর ৯ ৱাংবা পৃথিবী-২ মিসাইল অসি ইন্টিগ্রেটেদ গাইদেদ মিসাইল ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আই জি এম ডি পি) গী মখাদা ডি আর ডি ওনা শেমগৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, ওরিষাগী অব্দুল কলাম আইলেন্দদা ন্যুক্লিয়রগী মতিক-ময়াই লৈবা অগ্নি-১ বলিষ্টিক মিসাইল অমা ঙরাং মায় পাক্না চাংয়েং তৌবা লৈখ্রবনি। অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ষ্ট্রেটিজিক ফোর্স কম্মান্দনা চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি।

চাংয়েং তৌখিবা অগ্নি-১ গী ১৮ শুবা ভর্জন অদুনা অপীবা মতমগী মনুংদা পালহন্নিংবা টার্গেটতা পালহনবা ঙমখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। মিসাইল অসি কুমজা ২০০৪ দা ইন্দিয়ন আর্মিদা খূৎশিন্নবা লৈখ্রবনি।

# মুস্লিমশিং ইন্দিয়াদা লৈবা য়াহল্লোইদবনি : বিনয় কাটিয়ার

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী এম পি বিনয় কাটিয়ারনা ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা মওংদা হায়খি মদুদি মুস্লিম পূম্নমক ইন্দিয়াদা লৈনবগী অয়াবা পীরোইদবনি। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থান খায়দোক্লখ্রবা মতুংদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওই খরা লৈবাক অসিদা মখা তানা লৈহৌবগী থৌওং অয়াবা পীফম থোক্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



বি জে পিগী লূচিংবা অসিনা হায়খি, তোখায়বা লৈবাক অমা শেমখ্রবা মরম্না মুস্লিমশিংবু ইন্দিয়াদা লৈহনবগী মহুৎ বাংলাদেশ নৎত্রগা পাকিস্থানদা চৎহনখিগদবনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিং পাকিস্থানিনি হায়বা মীওই পূম্নমক চৈরাক পীনবা লো অমা শেমগদবনি হায়না এ আই এম আই এমগী লূচিংবা অসাদ উদ্দিন ওৱাইসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা কাটিয়ারনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা লো শেম্বগী মহুৎতা ইন্দিয়াগী লৈহাওদা পাকিস্থানগী ফিরাল চিংখৎলিবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা বিল অমা হান্না পুখৎপা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াদা লৈরগা বন্দে মাতরম অমসুং নেসনল ফ্লেগ ইকায়খুম্নদবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা বিল অমা অথুবা মতমদা পুখৎকদবনি হায়নসু বি জে পিগী লূচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 125/SDC/IW-L/2018***

Thingbaijam Khambi Devi W/o (L) Muhindro Singh of Naoremthong Takhellambam Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Thingbaijam Muhindro Singh S/o (L) Yaima Singh of Naoremthong Takhellambam Leikai.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 05/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থিংবাইজম মুহিন্দ্রো সিংহ, পীং মৃ: য়াইমা সিংহ, সাং নাওরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১৪২/৩৪৯, দাগ নং ২৫৪ অমসুং এরিয়ানা ২.৮৬ অসিগী মনুংদগী ২.০০ চাওবা লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**

Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/504/8*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG**

***Ref:- Mut Case No. 116 of 2018***

Yambem Shakhitombi Devi W/o (L) Y. Tomba Singh of Moirangkampu Sajeb.

*... Petitioner*

-Vrs-

(Late Pattadar) Yambem Tomba Singh S/o (L) Gulap Singh of Moirangkampu Sajeb.

*... O.P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Sawombung, the 7th Feb. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিলগী খুল নং ৩৭-সজেব পাট্টা নং ৬১ (অরিবা), ৩২৭/৪১২ (অনৌবা) দাগ নং ২৫১ গী এরিয়া ০.৮৬ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার য়াম্বেম তোম্বা সিংহ পীং মৃত গুলাপ সিংহ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা মমীং পীরিবা দংকারি অসিনা লৌফম অসি মহাক্কী স্বত্ত ওইনা ফঙজরে। মহাক্কী মমীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌবা অইবা চে ওইনা পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **S. Lunguiba Thangal**

Sub-Deputy Collector, Sawombung

*HL-P/512/8*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 168 & 169/SDC/IW-L/2018***

Khumbongmayum Achou Singh S/O (L) Ibobi Singh of Lamdeng Mayai Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Khumbongmayum Ibobi Singh S/O (L) Angouton Singh of Lamdeng Awang Leikai.

*-O.P./Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 06/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খুম্বোংময়ুম ইবোবী সিংহ, পীং মৃত অঙৌতোন সিংহ, সাং লমদেং অৱাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৯/৪৮৬, দাগ নং ৫৭/৬৯৯ গী এরিয়া ০.৬২০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অমসুং অনৌবা পাট্টা নং ১০৫, দাগ নং ১০২৫ গী এরিয়া ০.২৮০০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**

Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/504/8*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 156/SDC/IW-L/2018***

R.K. Premchandra Singh S/o (L) R.K. Wangolsana Singh of Akham Lampak Sagolband Moirang Leirak.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Wangolsana R.K. S/o (L) Leirensana R.K. of Sagolband Moirang Mayum Leirak.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 06/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার ৱাংগোলস্না রা:কু:, পীং মৃ: লৈরেনস্না রা:কু:, সাং সগোলবন্দ মোইরাংময়ুম লৈরক্কী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯৫/২৯৯, দাগ নং ১১১০ অমসুং এরিয়ানা ৪.৫৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**

Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/504/8*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 164, 165, 166 & 167/SDC/IW-L/2018***

Khumbongmayum Achou Singh S/O (L) Ibobi Singh of Lamdeng Mayai Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Khumbongmayum Ibobi Singh S/O (L) Angou Singh of Lamdeng, Awang and Mayai Leikai.

*-O.P./Party*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

The 06/02/2018


Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খুম্বোংময়ুম ইবোবী সিংহ, পীং মৃত অঙৌ সিংহ, সাং লমদেং, অৱাং অমসুং ময়াইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪১, দাগ নং ১০৩৮ গী এরিয়া ০.৬৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম, অনৌবা পাট্টা নং ৭৪, দাগ নং ২৭৪ গী ০.৫৫০০০ চাওবা ইস্খোল, অনৌবা পাট্টা নং ২৫৫/৫৩২, দাগ নং ৩৫৫/৭১৩ গী এরিয়া ১.২৫০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অমসুং অনৌবা পাট্টা নং ৭৪/৬৭১, দাগ নং ৩৫৮ গী এরিয়া ০.৭২০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফমশিং অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লমশিং অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**

Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/504/8*

**[illegible]/অমাঙথোংগী অকোয়বদা মতুম মতুম ইনথোক্লগা দন দন লাওরগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাঙথোংদা শাবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু মপোকসিমগী কাউজরোই**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী অকোয়বদা মতুম মতুম ইনথোক্লগা দন দন লাওরগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা অমদি খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাঙথোংদা য়াম্না শাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপদা কোক ঙাওবা, কপ্লাক মরি নারগা খোঙ নাম্মা চিংবগুম তৌবা, খোঙ থাংবদা ৱাবা, অমাঙথোংদা চোৎ চোৎ লাওরগা লৈবা, য়াম্না নুংঙাইতবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, ইথন থনগৎলগা লৈবা, তাং চিকপা, হীপ্পা, তুম্বা য়াদবা, কোক য়াম্না তোয়না ঙাওবা, ঙকশম মরি নাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাঙ নাবা, হকতিন্নিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈশিল্লক্তবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal (7 am to 5 pm. 2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar (6 am to ?) 3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Mon. only).

*থাগৎচরিবা :* **S. Ratan**

*Usoipokpi*

*HL-P/510/8*